**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20.05.2024)**

অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ

(তাং ২০-০৫-২০২৪, নিংথৌকাবা)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙবম ঙন্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রশিংগী ভোট মশিং থীনবা শেম শাবা হৌরে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা গ্বালতাবিদা থীবা হুন্দগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফগৎপা ঙন্লে।

৩) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা এন্তি রেবিস ভেক্সিনেসন হন্দক চহিগী ওইনা লিশিং ১৫,৩০০ কাপথোকখ্রে।

৪) ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলাগী লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মাংহন তাকহনখ্রবা য়ুমথোং লিশিং ৬,২০৩ দা জিঙ্খ্ল য়েন্থোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা লোইশিনখ্রে। ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৬.৬৮ গী চাংদা ওইখি।

**-----সিগনেচর ট্যুন---**

**কাউন্তিং(এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোট মশিং থীনবা শেম শাবা হৌরে। লোক সভা কেন্দ্র অসিগী রিটর্নিং ওফিসরদগী ফংবা পাউনা হায়- মথং থাগী ৪ দা ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগদবা ওফিসিয়েলশিংগী তাঙ্কক ৩ রক থোকবা পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং হয়েংদগী হৌরগনি। ভোট মশিং থীবগী থবক নিংথিনা চখ্‌বা ঙমনবা মরী লৈনবা জিলা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিংগী খুত্থাংদা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট খক্তদা কাউন্তিং হোল ৯ দা ভোট মশিং থীগনি।

**অমরোমদা,** থৌবাল জিলাগী ইন্নর অমসুং আউতর লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থীগদবা মফমশিং লাউথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর থৌবালনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ভোট মশিং থীগদবা মফমশিং অদুদি-থার্টি লিলোং এ.সি স্পিপসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন (আউতর)গী ভোট মশিং থৌবাল দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সকী ব্লোক দিভলপমেন্ত ওফিস -কাউন্তিং সেন্তর নম্বর-১ দা থীগনি। থার্টি ৱান থৌবাল এ.সি, থার্টি হৈরোক এ.সি ,থার্টি ফোর ৱাংজিং তেন্থা এ.সি, থার্টি-টু ৱাংখেম এ.সি , স্পিপসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন (ইন্নর) অমসুং থার্টি ফাইব খাংঙাবোক এ.সিগী ভোট মশিংনা কাউন্তিং সেন্তর নম্বর-২ মেন কাউন্তিং হোলদা পাঙথোক্কনি। ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয্যন্সিগী কেন্দিদেদশিংনা মখোয়গী কাউন্তিং এজেন্তশিংগী মীং থা অসিগী ৩১ ফাওবদা থাজিল্লক্কদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

**তেংনৌপল ঃ** তেংনৌপল জিলাগী মচি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খুল খরদা হিংশা অমদি পামদবা থৌদোক থোকপা থাংনবা সি.আর.পি.সি ১৯৩৭কী ধারা ১৪৪ গী সেক্সন অনিগী মখাদা অথিংবা খরা থল্লে হায়না জিলা অসিগী এ.দি.এমনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি ।

হায়রিবা খুলশিং অদুদি- কংশান, তুইশেন, তুইনেম, লাইচিং মাইপৌ, লাইচিং খুমন অমদি মচি সব-দিভিজনগী হুনবি খুঙ্গংনি। অথিংবা অসিদা লৈরিঙৌ মনুংদা মী শোকপনচিংবা খুৎশু খুৎলায় পুদুনা চৎপা য়ারোই অমসুং মী ৫ নত্রগা মী ৫ দগী হেননা পুনবা য়ারোই। অথিংবা অসি মখা তাবা হুকুম অমা থোক্লিবা ফাওবা চৎনগনি।

**অগুই(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি ওইনা লৈনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চীংনবা মফম কয়াদা লেপ্তুনা থীবা হুন্বগী থবক চখ্থদুনা লাক্লি। পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা গ্বালতাবিদা থীবা হুন্বগী থবক চখ্থবদা খুৎলায় কয়া ফগৎপা ঙম্লে। ফগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি -ইমপ্রোবাইস লোং রেঞ্জ মোতার ৩, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, ত্বেলফ বোর গন অনি, হেন্দ গ্রেনেট অনি, কাপ্পা য়ারিবা এ.কে ফোর্টিসভেনগী নোংমৈ মরু ৫, এম.সিক্সতিনগী নোংমৈ মরু ৫, লান্নদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি।

**এস.টি(এল)ঃ** মীতৈ শিংবু সেদ্যুল ত্রাইব লিস্তা চলহন্নবগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারনা ইং ২০১৩ দগী রিপোর্ট অনি কৌরিবা অদু মুখ্য মন্ত্রিনা অথুবা মতমদা থাবিনবা ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা দাবী তৌরি।

কাউন্সিল অসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মীতৈশিংগী তুংগী চারোল শুরোলগী য়েংলগা অথুবা মতমদা সেদ্যুল ত্রাইব লিস্তা চলহন্নবা থবক পায়খৎপিয়ু হায়রি।

**সি.পি.আই(এল)ঃ** কম্যুনিস্ত পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) ময়াং ইম্ফাল লোকেল কাউন্সিলগী ৪৪ শুবা লোকেল কনফরেন্স ঙরাং ৱাংখৈ লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সি.পি.আই ষ্টেট সেক্রেটরি এল.থোইরেন, ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসকী মনিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিন কুমার য়াওনা দল অসিগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**রেবিজ(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা এন্তি রেবিস ভেক্সিনেসন হন্দক চহিগী ওইনা লিশিং ১৫,৩০০ কাপথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ভেতিরিনরি দিপার্টমেন্ত ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী জোইন্ত দাইরেক্তর টিকেন বালা হিজমা হায়-মরুওইনা হুই ঙাওবনা মী চিকপগী চাং হনগৎলকপদগী খোংথাং অসি মীয়ামগী য়াইফনবা দাইরেক্তোরেট ওফ ভেতিরিনরি এন্দ ,নিমেল হসবেন্দরিগী মখাদা পায়খৎচাবনি হায়না মহাকা থল্লকখি।

হুই হৌদোং খক নত্তনা শা ষণশিং হিদাক কাপ্পা মীয়াম্বু হেন্না ভাব তাহনবা থৌরমশিং পায়খৎপা, রেলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা এৱানের্স প্রোগ্রামশিংদা, কে.সি.সি লোন পিনবা এপ্রুভবেল পিবনচিংবা মীয়মগী য়াইফনবা থবকশিং লৌখৎতুনা লাক্লি। জিলা অসিগী দিসপেন্সরি ৩০ দসু ভেক্সিনেসন অদুমক লেপ্তুনা পায়খৎলি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ টিকেন--**

**জিঙ্খ(এল)ঃ** থা অসিগী ৫ দা লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোং অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম কৈ মাং তাকহনখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইমুং মনুংশিংদা সরকারগী মায়কৈদগী জিঙ্খ য়েন্থোকপগী থবক চখ্রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা য়ুম লিশিং ২৯ রোম মাং তাকহনবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা য়ুম লিশিং ২,৯০০ রোমদা কুপনবা জিঙ্খ পীখ্রে। মখা তানা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননা লেমহৌরিবা ইমুং মনুংশিংদা য়ুম কুপবা জিঙ্খ য়েন্থোকবা হোৎনরি।

অমরোমদ, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা য়ুম পুন্না লিশিং ১৩,৩১৬ লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মাংহন তাকহনবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না য়ুম লিশিং ৩,৩০৩ য়েন্থোকখ্রে। অদুগা য়েন্থোকখিবা জিঙ্খ মনাগী মশিংনা লিশিং ৪৩,৯৯৭ নি। সরকারগী মায়কৈদগী ৱাৎহৌরিবা য়ুমশিং অদুগা জিঙ্খসু য়েন্থোকবা কন্না হোৎনরি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পুগদবা হার হৌজিক হৌজিক জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনগী প্লেটফোর্মদা পন্দুনা লৈরি। হার অসি মফম চাবা গুদাউন্দ অমা লৈতবদগী জিরিবামগী প্রজাশিংনা অৱাবা কয়া মায়োকরি হায়রি।

হৌজিক নোংজ্ থা মতম ওইবনা হারশিং অসি নিংথিনা থমদবা মরমনা মসিদগী চেন্থরকপা মহি কয়ানা শা ষণ কয়া শীবা ফাওবা য়াওনরে। মমাংগী চহিদসু লৌফম কয়াদা তাশিন্দুনা অমাং অতা থোকহনবগী পাউ লৈখ্রবনি। রাজ্য অদুগী প্রজাশিংনা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবিনবা আপিল তৌরক্লি।

**দিআইপিআর(এল)ঃ** ফিসারিজকী কর্ম্মচারি অমসুং এক্বাকলচরগী লমদা খঙহৈবশিংনা এক্বাকলচর অমসুং কোল্ড ৱাটর ফিসারিগী চাউখৎনবগী মতাংদা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা লম্ফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ফিসারিজকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

**কেম্প(এল)ঃ** খা মনিপুর কলেজ ককচিংগী এন.এস.এস য়ুনিট ৱান অমসুং টুনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী নুমিৎ ৭ নি চত্থরকপা কম্বাইন্দ রেসিদেন্সিয়েল স্পিসিয়েল কেম্প ঙরাং লোইশিনখ্রে। য়ুথ ফোর নেসনেল ইন্তিগ্রেসন হায়বা থীমদা পাঙথোকপা স্পিসিয়েল কেম্প মনুংদা রিছার্স পরসনশিংনা ৱা ঙাংবা, কেম্পরশিংগী কলচরেল এক্তিভিতি, কলেজ অসিগী কেম্পস অমসুং অদোপ্তেদ ভিলেজশিংদা লম তু শেংবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম মখা লৈকায়দা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফ্যার ক্লবনা নৌনা শাবা ক্লবকী বিল্ডিং অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা হান্নগী এক্স এম.এল.এ এলাংবম দ্বিজমনি অমদি ক্লব অসিগী মরুওইবশিংসু শরুক য়াখি।

**বাইও(এল)ঃ** ৱার্ল্ড বাইওলোজিকেল দাইভরসিতি দেগী থৌরম রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিন্দুনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা খোংহাম্পাত্তা লৈবা ষ্টেট বোতানিকেল গার্দেনদা পাঙথোক্লগনি । বি পার্ট ওফ দা প্লান্ট হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা রাজ্যগী ফোরেস্ত ইনভাইরোনমেন্ত অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকী এদিসনেল চিফ সেক্রেটরি এম.ঐচ খান শরুক য়াগনি।।

**কম্পীতিসন(এল)ঃ** ইন্তরনেসনেল বাইও দাইবরসিটি নুমিৎকা মরী লৈননা তমেংলোংদা স্পোট পেন্তিং কম্পীতিসন অমা ফোরেস্ত ইন্সপেক্সন বঙ্গলোদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোই ৫৬ না কম্পীতিসন অদুদা শরুক য়াখি।

**এৱার্দ(এল)ঃ** **৬ শুবা** ওল মনিপুর নিউজ পেপর এন্দ ইলেক্ত্রোনিক্স মেদিয়া ইমপ্লোইজ এসোসিয়েসন(এমনিমিয়া)গী এৱার্দ নহারোল থৌদাং পাউচেগী মকোক মেছিনমেন লাইশ্রম অন্বারিদা খুৎশিন্নখ্রে। এৱার্দ অসি এমনিমিয়াগী ৬ শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ঈচেল এক্সপ্রেস বিল্ডিং হাবিস হত্তাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখিবনি।

**বোক্সিং (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (থৌদাবা )না শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা নুমিৎ ৩ নি চুপা চথরকপা মরি রক শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পীয়নসিপ ইং ২০২৪ ঙসি লোইশিনখ্রে।

**গেমস(এল)ঃ** **৯ শুবা** ভারত পুন্সগী পুলিস জদো ক্লস্তর লাক্লিবা

জ্নগী তাং ২৪ দগী ৩০ ফাওবা অসাম পুলিসনা শিন্দুনা গুৱাহাতিদা পাঙথোক্লগনি। মসিদা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী শান্নরোইশিংগী ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন অমা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৪-২৫ দা পাঙথোক্লগনি।

**কাং (এল)ঃ** অহানবা ককচিং তাবম কুঞ্জবি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্ত ইং ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কাংখুৎনা কৈশামথোং কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৭-১০ দা থোইখ্রে।

**খোখো(এল)ঃ** মনিপুর অর্মেচর খোখো এসোসিয়েসনগী থৌশিল মখাদা মনিপুরগী অতৈ জিলাশিংদা পাঙথোকপগুম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদসু নুমিৎ ২০ নিগী সম্মর খোখো কোচিং কেম্প এ.এস.কে.কে গ্রাউন্দ অৱাং সেকমাইদা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**ভোট ঃ** লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা লোইশিনখ্রে। ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা থাদোকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৬.৬৮ গী চাংদা ওইখি। নোংচুপ বেঙ্গলদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৭৩ , উত্তর প্রদেশতা চাদা ৫৫.৮০, ঝারখন্দদা চাদা ৬১.১৯, লদাখতা চাদা ৬৭.১৫, বিহারদা চাদা ৫২.৩৫, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চাদা ৫৪.২১, মহারাষ্ট্রদা চাদা ৪৮.৬৬ অমসুং ওরিষাদা চাদা ৬০.৫৫ নি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীয়ামা থোরক্তুনা ভোট থাদনখি।

তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ৬৯৫ গী মরাইবক লেপকনি। শকাইরবা

মীরেপশিংগী মনুংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, পিয়ুস গোয়ল, স্মৃতি ইরানি, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, নেসনেল কনফরেন্সকী লুচিংবা ওমর অবদুল্লা, এল.জে.পি (রাম বিলাস) কী লুচিংবা চিরাক পাসৱান য়াওরি।

**কেম্পইন ঃ** লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোন্দ্বগী থবক অকনবা মওংদা চখরি। রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা চৎতুনা মীয়ামগী মীতিন অমসুং রোদ সোশিংদা শরুক য়াদুনা ভোত্তরশিংগী পুকিং চীংশিন্নবা হোৎনরি।

প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ওরিষা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা পাঙথোকপা রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা ওরিষাগী ধেনকানাল অমসুং কতক্তা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংলদুনা হায়- কতক অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লিরবা সহরশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং হৌজিক্তি মফম অসি মোর্দন ইদুকেসৌনগী হব অমা ওইরে। ভারতপু চাউখৎনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা কতকা অচৌবা থৌদাং লৌরি। করিগুম্বা বি.জে.পিনা রাজ্য অদুদা শক্তি পায়রক্লবদি ফৌগী মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ কুইন্তেল অমদা লুপা লিশিং ২,২০০ ওইরম্বদগী লিশিং ৩ ১০০দা হেনগৎহনগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা থাজবা পীখি। ওরিষাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শ্রী মোদিনা হায়- রাজ্য অসি নেচরেল রিছোর্স মরাং কায়না লৈজরবসু লাইরবগী অৱাবা মায়োকরি। ওরিষাগী কালা সংস্কৃতি অমসুং মিনরেলশিং রাজ্য অদুগী বিজ্ জনতা দল সরকারনা নিংথিনা য়োকখৎনবা হোৎনদে হায়না মরাল শীখি। মহাকা হায়- নবিন পথনাইয়ক্কী সরকারনা রাজ্য অদুদা চহি ২৪ শাসন তৌবদা লৌমী অমসুং নহাশিংগী য়াইফ থৌরাং অমত্তা পায়খৎতে।

প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য অদুগী মীয়ামদা অওনবা অমসুং চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হন্দক্কী ভোট অসিদা হোৎনমিন্নরসি হায়না আপিল তৌখি। মদুগী মমাংদা ঙসি অয়ুক পুরিদা পাঙথোকপা কিলোমিতর অনি রোম শাংনা চৎপা রোদ সো অমদা শ্রী মোদি শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ওরিষাগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বিজ্ জনতা দলগী মকোক নবিন

পথনাইয়কা ঙসি রাজ্য অদুদা পাঙথোকপা মেঘা রোদ সো অমসুং মীখলগী মীতিন কয়াদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহসু ঙসি হারিয়ানাগী করনালদা ভোট খোমখি। উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা যোগি অধিত্যানাথনা ঙসি চান্দিগরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি। সমাজৱাদি পার্টিগী মকোক অখিলেস যাদবনা উত্তর প্রদেশকী দোমারিয়া গঞ্জতা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

**মাইগ্রেন্তঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা লোক সভা মীখলগীদমক দিল্লিদা লৈরিবা কাস্মীরি মাইগ্রেন্তশিংনা ভোট থাদনবা স্পিসিয়েল পোল্লিং বুট মরি হাংদোক্লে। হায়রিবা পোল্লিং বুটশিং অদুদি জম্মু কাস্মীর হাউস -পৃথিবিরাজ রোদ, সালিমার বাগ, দিলসদ গার্দেন অমসুং নজাফগরদানি।

হায়রিবা মফমশিং অসিদা ভোট থাদবা চৎপা অমসুং হল্লকপগী ভারাশিং কম্মীসননা পুথোক্কনি হায়রি।

**ইরান ঃ** ইরানগী রাষ্ট্রপতি ইব্রাহিম রাইসি, মপান থৌরম মন্ত্রি হোসেন অমির অব্দুলাহিয়ান অমসুং ওফিসিয়েল খরা লৈবাক অদুগী অৱাংনোংচুপ থংবা শরুক্তা হেল্লিকোপ্তর কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে । ইরানিয়ন রেদ ক্রিসেন্ত সোসাইতিগী প্রসিদেন্তগী পাউ পল্লদুনা আই.আর.এন.এ নিউজ এজেন্সিনা হায়-হেল্লিকোপ্তর অদুগী মচেৎ মকায়শিং থেংনরে। অদুবু মদুদা তোংখিবা মীওইশিংগী হকচাংদি থেংনদ্রি। হেল্লিকোপ্তর অদু ঙরাং লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈচিল কুংনা থাবদগী পায়বদা খুদোংচাদবা থোকপদগী পায়থরকবা হোৎনবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

রাষ্ট্রপতি রাইসি অজিরবাইজানদগী ইরানদা হল্লকপগী লম্বীদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। পনবা য়াই মহাক ২০২১ দগী রাষ্ট্রপতিগী ফম অসি পায়রকপনি। রাষ্ট্রপতি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি হেল্লিকোপ্তর কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংলবা মতুং পুং ২৪ গী মনুংদা ইরানগী মন্ত্রি মন্দলগী খুদক্কী ওইবা মীফম অনিরক পাঙথোকখ্রে।

মরক অসিদা উপ রাষ্ট্রপতি মোহমদ মুকবেরবু ইরানগী রাষ্ট্রপতি ওইনবা

সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লা অলি খামেনৈনা খনখ্রে। লোয়ননা রাষ্ট্রপতিনা লৈখিদবা অসিগী য়েংলগা লৈবাক অদুদা নুমিৎ ৫ নি অৱাবা ফোংদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে। প্রোতোকোলগী মতুং ইন্না মুকবেরনা লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি ওইরবা য়াই অদুগা রাষ্ট্রপতি খন্নবগীদমক নুমিৎ ৫০ নিগী মনুংদা মীখল পাঙথোক্লবা য়াই ।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রশিংগী ভোট মশিং থীনবা শেম শাবা হৌরে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা গ্বালতাবিদা থীবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎলায় কয়া ফগৎপা ঙম্লে।

৩) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা এন্তি রেবিস ভেক্সিনেসন হন্দক চহিগী ওইনা লিশিং ১৫,৩০০ কাপথোকখ্রে।

৪) ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলাগী লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মাংহন তাকহনখ্রবা য়ুমথোং লিশিং ৬,২০৩ দা জিঙ্খ্র য়েন্থোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা লোইশিনখ্রে। ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৬.৬৮ গী চাংদা ওইখি।

**--- পাউ লোইজরে---**